# ওলিম্পিক দে রন, জুন ২৩

- লৈশাংথেম অজিৎ -

ওলিম্পিয়া গ্রিস লৈবাক্কী খা নোংচুপ্তা লৈবা উপাল-ৱাপালনা লৈতেংবা পূক্লিং হুনা নিংথিজরবা তম্পাক মচা অমনি। তম্পাক অসিদা মমাঙৈঙেদা গ্রিকশিংনা চহী মরি-মরি লৈরগা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোক্লম্মী। গ্রিক্কী লাইনিংথৌ জিউসকী মফমদা ঈরাৎ-থৌনিবা অমসুং শান্ন-খোৎনবদা অথোই অহেন তান্নবনা ওলিম্পিক গেমসকী মপূং ওইবা থৌরমশিং ওইরম্মী।

অৱাংথংবা লেটিচুদ ৩৭° ৪০´´ অমসুং নোংপোক থংবা লোঙ্গিচুদ ২১° ৩০´´ দা লৈবা তুরেলগী লৈঙোইনা হাজিল্লগা শেম্বা তম্পাক অসিগী অৱাংদা অশুকপা উমংনা কুপশিনবা চীংলেন্নবা ক্রোন্নস চীংজাউ লৈ। এলফিয়স তুরেলনা ঈচেল তপ্না চেন্দুনা লাইফম অসিগী খা থংবা ঙমখৈ শেম্মী, নোংচুপ থংবা চিদাইদা চেনবা ক্লাওদিয়স তুরেলনা এলফিয়সতা তিল্লগা ইরোঙ অমা শেমদুনা হরাও কুম্মৈ তৌফম অসি মায়কৈ অহুমদা মহৌশাগী খূৎশেম্না কোয়শিল্লি। ক্রোন্নস চীংখোঙদগী মখারোমদা খোঙকাপ ২০০ রোম চৎলগা মমায় নোংপোক ওন্দুনা শাবা জিউসকী অচৌবা লাইশঙ অমা লৈ। লাইশঙ অসি ইলিসকী য়ূমশাবা লিবোন্না খৃষ্ট মমাঙ ৪৬০দা শারম্বনি। লাইশঙ অসিদা চারমেদেশকী মচা এথেন্সকী লাই শাবা ফিদিয়সনা খৃষ্ট মমাঙ ৪৩৮দগী হৌদুনা চহী মঙা চঙনা শামু ময়া অমসুং সনানা শাবা মালেমগী অঙকপা তরেৎকী মনুংদা অমা ওইবা জিউসকী শক্তম অমা ইরাৎলম্মী। লাইনিংথৌ জিউসকী ইরাৎফম অসিগী অকোয়বদা লৈপলনা খাজিল্লম্মী। লৈপলনা খাজিনবা মফম অসিবু অলটিশ হায়না খঙনরম্মী। অলটিশকী লৈপল ৱাংমদা ষ্টেদিয়ম লৈরম্মী। ষ্টেদিয়ম অসিদা মিটর ২১০ রোম শাংবা, মিটর ৩২ রোম পাকপা লমজেল চেনফম লৈরম্মী। মসিদা মিটর ১৯২.৮গী লমশাং অমা হক্তুনা থম্মী, লমশাঙ অসি ওলিম্পিক ফুট ৬০০কা মান্নে। লমশাং অসিগী অরোইবা মতায় অনীদা লমথাফম অমসুং লমথুংফম হক্তুনা থম্মী।

অথাপ্পা অমসুং অনকপদা লৈবা গ্রিকশিংনা মফম অসিদা (ওলিম্পিয়াদা) লাক্তুনা গেমস অসিদা শরুক য়ারম্মী। অহানবদা পেলোপোনেশিয়াদংগী ওইনা ইলিশ, পিশা, স্পাটার্ন, অরকিদিয়ান, আরগোলিশ অমসুং মেশেনিয়ানচিংবা লৈবাক খক্তনা শরুক য়ারম্বদগী খৃষ্ট মমাঙ তরুকশুবা সেঞ্চুরিদগী গেমস অসি গ্রিস পূম্বা শন্দোকখিদুনা অথাপ্পদা লৈবা গ্রিকশিংসু গেমস অসিদা শরুক য়াবখক্তা নত্তনা গ্রিক্কী লোইলমশিংসু গেমস অসিদা শরুক য়ারম্মী।

ওলিম্পিক্তা দেটরগী মাইবী মকোক ওইরিবী নুপী অদু নত্তনা কনাগুম্বী নুপী অমত্তনা ওলিম্পিক গেমসকী অথোই অহেন তান্নবা অদু য়েংবা য়ারমদে। অদুবু নুপীশিংগী তোঙানবা ওলিম্পিক গেমস অমা চহী মঙা-মঙা লৈরগা ওলিম্পিয়াদা পাঙথোক্লম্মী। চাউরাক্পা মিটর ১৬০ রোম শাংবা লমজেল মতেক অমা খক্তমক ওলিম্পিক অসিগী থৌরম ওইরম্মী। লমজেল থোয়বী শান্নরোয়দা চোরফোন পাম্বীগী মসা মচা অমা মনা ওইনা পীরম্মী অমদি মহাক্কী অয়েকপা শক্তম অমা হেরা লাইরেম্বীগী লাইশঙদা থেৎলম্মী।



ওলিম্পিয়া পিশাগী মনুং চনবা লমনি। য়ূমলোন্নবা ইলিশনা পিশাবু ওলিম্পিক পাঙথোকপগী অশিল-অরাং তৌবদা কল্লক্তুনা ওলিম্পিয়াবু নমদুনা মুন্দুনা লৌখি অমসুং মসিগী মপু ওইখি। মখা তারকপদা অরগোসকী নিংথৌ ফৈদোন্না ইলিশপু মায়থীবা পীদুনা পিশাদা ওলিম্পিয়া অমুক শিন্নখি। তৌইগুম্বসুং অরগোশনা মরাই চাইথরকপগা লোয়নননা পিশাবু মতেং পাংবা ঙমখিদবদগী মমৈথংদা ইলিশনা ওলিম্পিয়াগী মপু ওইখি। মখোয়না ওলিম্পিক গেমসকী অশিল-অরাং অমুক তৌবা হৌখি। খৃষ্ট পোক্কদবা চহী ৩০ রোম ৱাৎলিঙৈদা গ্রিস পূম্বা রোমানশিংনা লৌশিল্লম্মী। মরম অদুনা ওলিম্পিক গেমসু রোমানশিংনা শিল-লাংলম্মী। মমৈথংদা গেমস অসিদা পুকচেল শেংনরক্তবা, ৱানোম-থৌনোম্বগী থবক কনশিল্লকপা, নমথাক তৌনরকপনা গেমস অসিগী মতিক মগুন হন্থরকখি। মসিনা ফজখ্রবা গ্রিস পূম্বগী লেমজনীংঙাই ওইরম্বা ওলিম্পিকপু রোমগী নিংথৌরেল থিওদিয়সসনা খৃষ্ট পোক্লবা মতুং চহী ৩৯৩দা থিংখি। অদুবু অরোইবা গেমসদি কুমজা ৩৬৯দা পাঙথোকখি।

ওলিম্পিয়াদা লৈরম্বা লাইশঙশিং থুগাইখি, গ্রিকশিংনা চহী চা কয়াদগী ইরাত্তুনা লাক্লিবা শামু ময়া অমসুং সনানা শাবা জিউসকী অচৌবা শক্তম অদুবু কুমজা ৩৯৫দা ওলিম্পিয়াগী লাইশঙদগী লৌথোকখি। কুমজা ৪২৬তা ওলিম্পিয়াগী লাইশঙশিং মৈ থাবদা জিউসকী লাইশঙদি মৈ চাকহৌদে। অদুবু য়ুহার হাবদগী নিংখাইখি অমদি ক্লোওদিয়স তুরেল ঈচেল হোংদুনা অতেক অকায়শিং অদু মিটর তরুকলোম তুরেলগী লৈঙোইনা হাজিন্দুনা ফুমখি।

গেমস অসি মতম কুইনা লেপ্পুরবা মতুংদা ফ্রান্সকী বেরোন দি কোবর্টিন কৌবা নুপা অমনা কন্না হোৎনদুনা চহী ১৫০৩গী মতুংদা অমুক হিঙ্গৎহনখি। মহাক্না গেমস অসি হিঙ্গৎনবা হোৎনবদা ইন্টরনেসনল কোংগ্রেস ওফ পেরিস কুমজা ১৮৯৪গী জুন ১৬তগী ২৩ ফাওবা পেরিসকী সোরবোন য়ুনিভর্সিটিদা কৌরম্মী। মী ২০০০ হেন্না তিনখিবা কোংগ্রেস অদুদা লৈবাক ১২দগী মীহুৎ ৭৯ অমসুং শান্নবগী লূপ ৪৯গী মীহুৎশিং য়াওখি। কোংগ্রেস অদুগী অরোইবা নুমিত্তা মীহুৎশিং অদুনা অমত্তা ওইনা ওলিম্পিক গেমস অমুক মমাঙৈঙেগী গ্রিসকী মওংদা হৌদোকসি হায়না য়ানখি। অসুম্না ওলিম্পিক গেমসকা মরী লৈনবা থবকশিংদা মপূং ওইবা ৱায়েল থৌদাবগী থবক তৌনবা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটি লৈবাক ১২ অসিদগী মেম্বর ১৫না শেমখি। কুমজা ১৮৯৪গী জুন থাগী তাং ২৩দা ওলিম্পিক গেমস অমুক হৌদোকসি হায়না ৱারেপ লৌনখিবা মরম্না নুমিৎ অসিবু (জুন ২৩) 'ওলিম্পিক্কী নুমিৎ' হায়না খঙনদুনা মালেম পূম্বদা থৌরম কয়া পাঙথোক্করি।

ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা কুমজা ১৯৪৮গী জন্যুৱারীদা ফমখিবা মীফম অমদা কুমজা ১৮৯৪গী জুন ২৩দা ওলিম্পিক গেমস অমুক হৌদোকপগী ৱারেপ লৌখিবা নুমিৎ অদু 'ওলিম্পিক্কী নুমিৎ' হায়না খঙনখি। মরম অসিনা 'ওলিম্পিক দে' অহানবা ওইনা নেসনল ওলিম্পিক কম্মিটি মাপন্না য়ূম্বু ওইদুনা মাগী মাগী লৈবাক্তা পাঙথোকখি। থৌরম অসিবু অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবা লৈবাকশিং অদুদি ওষ্ট্রিয়া, বেলজিয়ম, কানাদা, গ্রেট বৃটেন, পোর্টুগাল, স্বিজরলেন্দ, উরুগ্বে অমসুং ভেনিজ্বেলানি।

কুমজা ১৯৮৭তা নেসনল ওলিম্পিক কম্মিটি পূম্নমক্তা 'ওলিম্পিক দে' পাঙথোক্লবা থৌরাং পূম্নমক য়াৎথোক্লম্মী। মসিগী মরুওইবা পান্দমদি নুপা, নুপী অমসুং অঙাংশিংবু শান্নবদা শরুক য়ানবা মপূক্লিং থৌগৎপনি। অহানবা ওলিম্পিক দে নুমিৎকী লমজেল কুমজা ১৯৮৭তা পাঙথোকখিবদা কিলোমিটর ১০গী লমজেল পাঙথোকই মদুদা নেসনল ওলিম্পিক কম্মিটি ৪৫না শরুক য়াখি। কুমজা ২০০৬তা নেসনল ওলিম্পিক কম্মিটি ১৬১না মখোয় মখোয়গী লৈবাক্তা ওলিম্পিক রন পাঙথোকখি। থৌরম অসি জুন ১৭তগী ২৪ ফাওবগী মনুংদা নেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিশিংনা পাঙথোকনৈ। মসিদা কিলোমিটর অমা মখায়গী ওলিম্পিক ফন রন, কিলোমিটর ৫ অমসুং ১০ শাংনা চেনবগী থৌরমসু য়াওই। থৌরম অসি মালেম পূম্বদা মীওই লিশীং-লিশীংনা শরুক য়ারি।

থৌরম অসিগী মতেংনা হৌখিবা চহী ২০ অসিদা ওলিম্পিক আইদিয়েল অসি মালেমগী কাচিন কোয়া য়ৌনা শন্দোকপা ঙম্মী। মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনসু মসিগী প্রসিদেন্ট থোকচোম রাধেশ্যাম (এদ্যুকেসন মিনিষ্টর) গী লিচিং মখাদা ওলিম্পিক রন জুলাই ২৩দা পাঙথোক্কনি। ●

# পামহৈবা (গরীবনিৱাজ) মহারাজ:

## মণিপুর অমসুং অৱাং বর্ম্মা (ইরাবতী তুরেলগী নোংচুপ) গী মবুংঙো (খৃ: ১৭০৯-১৭৪৮)

- মাংলেমজাও সিংহ সোরোকখাইবম-
রিটয়ার্দ ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস, মণিপুর

(হান্নগী মখা...)

ৱাফম অসিগী মতাংদা Burma Gazetteer, Upper Chindwin District - 1911 compiled by G.E.R. Grand Brown, ICS. Burma Rangoon না অসুম্না পল্লি। Samsok (Thaungthut: To the north of Kale, Thaungthut also claims to have had rulers since the time of Budha, but its history is even legendry. Upto the reign of Anawrata (1010-1052) it is said to have been an independent Kingdom with its capital at Gawmona, near the site marked on the map in 24° 31'N, 95° 34'E, as "Thap or Old Samjok", Samjok being the Manipuri form of Thaungthut. Anawrata is said to have appointed a Burmese Govenor with the title of Thokyinbwa. During the reign of Tarokpyemin in the 13th century, when the Burmese kingdom lost many of its out post, it was subdued by the Manipuris, and it seems to have paid tribute to Manipur until the conquest of that State by Alaungpaya (1753-1760).

মসিগী মতাংদা W.S. Desai না অসুম্না পল্লি - "In 1735, the Manipuris entered Myedu in Shwebo district and carried away cattle and slaves. In 1737, the king again sent an army into Manipur, but Garib Nawaz routed it in a pitched battle and slew its commander. The Manipuris again entered Shwebo district, ravaged it with fire and sword, and carried away much loot. In 1738, they came again and boldly encamped near Sagaing. They burnt houses and monasteries right up to Ava, the Burmese capital across the Irrawaddy river. The king, in order to protect the Kaunghmudaw pagoda, constructed a stockade round it. The Manipuris stormed it, however, and put the entire garrison to the sword. Garib Nawaz, while entering the pagoda, slashed at a door with his sword, and the gash may still be seen."

পামহৈবানা অৱা লান্দবগী মতাংদা E.W. Dun না অসুম্না হায় -In 1739, Gharib Newaz, aided, it is said, by the Cacharis, again invaded Ava with a force of 20,000 men; but failing in an attack on a Burmese force, stockade at Myedu, he was deserted by his allies, and, after suffering much loss, was compelled to retire to the strongholds of his own country. He appears to have remained inactive on the frontier until the year 1749, when he again crossed the Ningthee river, and, marching along its left bank with an army of 20,000 foot and 3000 horse, encamped near the confluence of the Chindwin and Irrawaddy rivers, waiting for a favourable opportunity to cross the latter river and attack the capital.

Mu-Valley দগী Irrawaddy তোর্বান তান্না গরীবনিৱাজনা লান্দাখিবগী মতাংসিদা Prof. N. Joykumar Singh না অসুম্না হায় - "The year A.D. 1738 was the most significant period so far the military campaign of king Garibniwaz against Burma was concerned. It was a most remakable campaign and it produced a very good positive impact towards the spread of large scale political influence of Manipur in the surrounding geo-political environment in Burma. King Mahadhamma Yaza Dipati was the ruler of Ava, Garibniwaz started his military campaign with 20,000 soldiers with a large number of cavalry. To resist the invading force of king Garibniwaz, the Burmese king prepared a large force of 85,000 to 3000 horses and 30 elephants. But the Burmese could not resist the attack of the invading force of Manipur and after retreating from the battle area they encamped at Myedo, Tabayin and Minging. In the meantime the Manipuri forces encamped at a place called Thalungbyu west of Sagaing. As recorded in Ningthourol Lambuba king Garibniwaz attacked and occupied several places like Metu, Makang, Taprang and from these places the Manipuri forces collected a large number of war booty and the entire villages were completely devastated. King Garibniwaz gave another defeat to Burma and conquered Sagaing and burnt down every house and monasteries and reached upto the walls of Ava, the capital of Burma across the Irrawaddy river. To see the danger from the invading force the Burmese king had constructed a stockade to protect Kaunghmudaw pagoda erected by king Thalun. But king Garibniwaz stormed the stockade by slaughtering the garrison like cattle in pen and killing the commandant, a minister of the Hluttaw council. As mark of rejoicing his complete victory over Burma king Garibniwaz slashed at the main door of Kaunghmudaw pagoda with his sword.




মণিপুরগী উখ্রুল দিষ্ট্রিক্তকী হৌখিবা মাক্লং তুরেল অসিগী মসা তুয়ুংবী লোকনচিংবা অসি য়াম্না মরু ওইবা খ্বাইদগী শম্বা সমসোক চৎনবা লম্বীশিংনি। অদুগা মসিগী খারোমদা চেল্লিবা তরেৎ তুরেলসিনা অতোপ্পা লম্বী অমনি। হৌজিক্তি তুমুখোং, নোংদম তাং-খমদগী কাখৎখ্রগা তরেৎ তুরেলগী ওই থংবা ফিবালদা চৎলগা লায়না বর্ম্মাগী সমসোক তাবা য়ারে। বুংজাং, কে লৈহাওরামদগী কা-খৎখ্রগা কসোম খুল্লেল, কসোম খুনৌ, কসোম খুন্থক, নমবাসি তারগা অদুম বর্ম্মা তাখিবা য়াই।

মহারাজ পামহৈবা তশেংনা মহাক্না পাল্লিঙৈ খৃ: ১৭০৯দগী খৃ: ১৭৪৮ ফাওবদা কনা অমত্তনা মায়থীবা পীবা ঙম-খদে, অহোইননা মহাক্না অৱাং বর্ম্মাগী চিন্দৱিন (নিংথি তুরেল) গী নোংপোক নোংচুপ, কবো তম্পাক য়াওনা খুদুম চনশিন্দুনা মাগী লোইলম ওইহনখি। মসিগী মথক্তা মু-তুরেল লানশিন্দুনা ময়াই থংবা অৱাদা হন্না হন্না লান্দাশিন্দুনা অৱাশিংবু মখোয়গী খুঙ্গংদা, সহরশিংদা, মন্দিরশিংদা মায়থীবা পীদুনা মমল য়াম্লবা সনা-লুপা, শগোল, শামু, নুপী-অঙাং মশীং খঙদনা খোল্লকখি অমসুং অৱা কয়া মৈতৈগী লমদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈহনখি। মু-তুরেলগীনা মপালদা ইরাবতি তুরেলগীনা নোংচুপ্তা তারিবা - মিউ, মিড়ু, শ্বেবো, তাবায়িন, সগাইং সহরশিং লৌশিন্দুনা মণিপুরনা খা নোংপোক এসিয়াগী পুৱারীদা মফম অমা কনবা ঙমখি অমসুং অহোইননা 'আলুংপায়া' না অঙাং ওইরিঙৈদা উখিবা য়াম্না মশা খিংবা, থবক থৌরম কয়া পাঙথোকপা ঙম্বা মৈতৈ শগোল তোংবা লান্মী অদুগুম্বা অমা শেম্নবগীদমক্তা খৃ: ১৭৫৮দা লান্দারক্তুনা মৈতোই ময়াম অমা পুখ্রগা থুনা Cassay Horseman শেমগৎতুনা মায় পাক্লা থাইলেন্দদা লান্দাখি। পূম্নমক অসিনা মণিপুরগী লংলবা পুৱারী অমা সনাগী ময়েক্লা ইদুনা লৈহৌরে। - **লোইরবা-**

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## রিমস অফবা হোস্পিটাল অমা ওইহন্নীংই

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

অচৌবা ওফিসর ওইনীংদবা মী লৈতে। পাৱর পায়বা, তৌবা ঙম্বা, য়াথং তাওথবা ময়ামগী লীদর কা হায়সি নুংঙাইবদি নুংঙাইবজাৎনি। ঐখোয় স্বাইগী খ্বাইদগী শাথিবসি মশা মতিক চাই-চাদে খঙদনা লীদর ওইনীংবা অমা হেক হেক উই। ওর্গনাইজেসন, এসোসিএসন অমা শেম্বা য়াদে প্রসিদেন্ট, সেক্রেটরি হেক্তা ওইগে-ওইগে মহায়বা। ইশানা মতিক চারবা মীয়াম্না অদুম খঙ্গসনু হায়বগী ৱা লৈতে। ফনা চাউবা ফম ওইসনু ইশানা মতিক চারবা অদুম মশানা ওইরদৌবা ফমনি।

দিপার্টমেন্ট নৎত্রগা ইন্সটিট্যুট অমগী দিরেক্টরকা হায়সি চাউখ্রজাৎনি। অদুনা দিরেক্টর ওইনীংবৈ ওইনীংবা ঙাক্তা মশা মতিক চাই-চাদে খঙদে। মখোয় মশেন চাউনবা হোৎনরিঙৈদা মীচম মীয়ামসে ৱাখল তাহন্দ্রে, চাওখৎপা থিন্থহল্লে। দিরেক্টর অমা ওইবগী ক্রাইটেরিয়া খরদি লৈরমগনি খল্লি। মদুগী মতুং ইন্না হায়র ওথোরিটিনা হাপ্লক্কদবা ওইরমগনি হায়না খল্লি। অদুনা ঐখোয়গী লমদম অসিগী খ্বাইদগী মরুওইরিবা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) অসিসু অমনি। দিরেক্টর ওইনবগী অমগা অমগা কোর্টতা কেস পংতৌদা তৌনৈ। দিরেক্টর ওইবা য়াবা মীসু য়াওরমগনি অদুবু মদু খন্নবা হায়র ওথোরিটি হায়বা অমসু লৈরি। হোস্পিটাল অসি লৈবনা লমদম অসিগী মীয়াম্না চাউথোকচরিবনি। মসিগী মথৌ তাবা দিরেক্টর অমা খনবদা চয়েৎনবা অমা অদুম থোকপসি লমদম অসিগী খ্বাইদগী লাইবক থিবনি। মসিনা চাওখৎ খোঙথাংদা অপনবা অমা হেক হেক ওইহল্লি। অদুনা লমদম অসিবু নুংশিবীবা অমদি হোস্পিটাল অসিবু অফবা চাওখৎপা হোস্পিটাল অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা কখোকপা, পেন্থোকপা খরসু য়াওদ্রদি করম্না চাওখৎকনি। মসিবু চাওখৎহনবা হায়বসি লমদম অসিগী থৌদাং নৎত্রা? মীয়ামগীদমক খল্লগা পেন্থোকপসু খরসু তল্লসি। লমদম অসিদি লৈত-লায়রনা নম্না লৈবা লমদম অমনি। অদুনা মসিনা লৈত-লায়র কয়াদা অনা-লায়েংগী ওইবা খ্বাইদগী চাউবা মতেং অমসু পীরিবনি। ইন্সটিট্যুট অসিগী খ্বাইদগী মরু ওইরিবা, খ্বাইদগী চাউনা থৌদাং লৌরিবসি দিরেক্টর হায়রিবা পোষ্ট অসিনি। হায়রিবা দিরেক্টর অসিগী পোষ্ট অসি মতম কুইনা কুমজা ২০১৪দগী হৌদুনা লাকখি। মতম মতমগী দিরেক্টর ইন-চার্জনা মহুৎ শিন্দুনা লাকখিবনি। রিগ্যুলর দিরেক্টর লৈতবনা মরম ওইরগা তুং কোয়না চৎনগদবা লোঙ টর্ম পোলিসি অমত্তা তৌবা ঙমদবা কয়া অসিনা রিমসকী ফীভম নোংমা নোংমগী শোকচিল্লকখি। তশেংনা লমদম অসিদগী রিমস অসি মুৎখিগদ্রা হায়বা ফাওবা লৈখ্রবনি।

মমাঙগী দিরেক্টর কয়া অমনা হোস্পিটাল অসিগী ফন্দ লান্না অমদি মেছিন, দেন্টেল চ্যের লৈবগী শেঙ্গা থুমজা কয়া অমা তৌরম্বগী সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) না চার্জশীট অমা স্পেসল জজ ইম্ফাল ৱেষ্ট কোর্ট পি সী এক্ট ১৯৮৮ সেক্সন ১২০-বি আর/দব্লিয়ু ৪২০ অমসুং ১৩ (২) আর/দব্লিয়ু সেক্সন ১৩(১) (দি) গী মখাদা হৌজিক হৌজিক কেস অসি চখ্খদুনা লৈরিবনি। অসিগুম্বা কয়া অসিনা শেল থুমগী অৱাৎপা লৈবনা মপূং ফানা হোস্পিটাল অসি চলাইবা, চাওখৎ থৌরাং অমত্তা পায়খৎপা ঙমদবগী মরম অমসু ওইরল্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। অদুগা কুমজা ২০১৮গী ওক্টোবর ৬তা ওল ইন্দিয়া মেদিকেল ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্সেসকী প্রোফেসর অহন্থেম শান্তবু লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা এপোইন্টমেন্ট কম্মিটি ওফ কেবিনেট মিনিষ্ট্রি ওফ হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা রিমসকী দিরেক্টর ওইনা এপোইন্ট তৌরকখি। লমদম অসিগী হোস্পিটাল অসিবু চাওখৎপা ফজবা মতিক চাবা হোস্পিটাল অমা ওইহনবা হায়বসি দিরেক্টর অদুগী মখা য়াম্না পোল্লি অমদি সেন্টরদা চৎতুনা অৱাৎ অপা কয়া অসিবু শেমগৎ-শাগৎনবা, ফজবা হোস্পিটাল অমা ওইহন্নবা প্রেসর পীবা মথৌ তাই। তেল্লবা থা ৭/৮মুক অসিদা প্রোফেসর শান্তনা ষ্টাফশিংগী সেলরি পীবা ঙম্লমদবা কয়া অমা পীবা, তরেৎশুবা পে ইমপ্লিমেন্টেসন তৌবীবা, অসিদসু নত্তনা কন্ট্রেক্ট এমপ্লোয়ীশিংগী সেলরি ফাওবা হেনগৎখি। লোয়ননা ইন্সটিট্যুসনেল রেঙ্কিং ফ্রেমৱর্ক মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা লৈবা লৈবাক অসিগী নেসনল ইন্সটিট্যুট ৮০০ লৈবগী মনুংদা রিমস অসি ২৮শুবা রেঙ্কতা হায়গৎলকপসু লৈখ্রে। পেসেন্টশিংগী ইন্টেন্সিব ক্যের পীদুনা চহী অসিদা আউট পেসেন্ট লাক্ষ ৫ য়ৌরকখি, কেজুএলিটি ১.২০, ৱর্দ পেসেন্ট ৪৩,০০০, সর্জিকেল ওপরেসন ৮,৭০০, রেদিওথেরাপি কেস লাক্ষ ৬.৩০, ইনভেষ্টিগেসন এন্দ লেবোরেটরি টেষ্টতা ১১,৬০০ য়াম্না অতাবা মমলদা মীয়ামদা খুদোংচাবা ফংহল্লি। লোয়ননা মণিপুর লৈঙাক্কী হকশেলগী কান্নবা কয়া অমা পীরি। হোস্পিটাল অসিগী মনুংদা ষ্টাফ অমদি ডোক্তরশিংগী ক্বার্টর কয়া অমা শেমগৎপদা নত্তনা অমগা অমগা ফাওনরিবা লম্বী কয়ামুকসু কন্না শেমগৎলি। মতম কুইনা পায়খৎপা ঙম্লদ্রবা কন্সত্রক্সন কয়া অমা পায়খৎপা হৌরে অমদি মতম কুইনা চহী ৪/৫গী পৈশা ময়াম অমা নমশিন্দুনা লৈরুরবা কন্ট্রেক্টর অমদি সব কন্ট্রেক্টর কয়াগী পৈশা পীথোক্লবা কন্না হোৎনরি।

হোস্পিটাল অসিগী অনা-লায়েংগী মেছিন কয়া অমা লৈরে। ওপরেসন থিএটর, মেদিকেল কোলেজ, নর্সিং কোলেজ, দেন্টেল কোলেজ কয়া অমা শেমগৎ-শাগৎপগা লোয়ননা নিংথিনা মপূং ফানা অখন্নবা মীৎয়েং চঙলি। হৌজিক মখা তানা রিমসপু 500 beded Super speciallity গী থাক্তা ওনখৎনবা দিটেল প্রোজেক্ট রিপোর্ট মিনিষ্ট্রিদা থাখিবগা লোয়ননা এইমসকী থাক্তা পুখৎনবা হোৎনরি। লোয়ননা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা রিমসকী গ্রেজুয়েসন দেগী থৌরমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্টর হর্শ বর্ধননা চীফ গেষ্ট ওইবীনবা হায়খিবা লৈখ্রে। বোর্দ ওফ গভর্নিংগী মীফমসু পাঙথোক্লবা য়ারি। অদুনা হৌজিক লমদম অসিগী মীয়াম্না প্রোফেসর শান্তগী মথৌনা অমদি লমদম অসিগী হোস্পিটাল অসিবু করম্বা থাক্তা থমগদৌরি হায়বা থম্মোয় শেংবদু য়েংখিবা তারি। অদুনা লমদম অসিগী মীয়াম অমদি লমদম অসিগী অমত্তা ঙাইরবা রিমসপু ফজবা মতিক চাবা হোস্পিটাল অমা ওইবা পাম্বীরিবা খুদিংমক্কা থম্মোয় শেংনা কখোকপা, পেন্থোকপা মথৌ তাই। পেন্থোকপা হায়বসিদগী হেনবা অতৈ অমত্তা লৈত্রবনি হায়জনীংই।

***অদোমগী- অমরজিৎ খাঙেম্বম, চীংমৈরোং মমাঙ লৈকায়***

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।